ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯅꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৩৫শুবা মশীং

# মাঙজৌননা খঙফম থোকই

## অনীশুবা ফেজগীনা করম থোক্লগবা

মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী অহানবা ফেজগী মীখল ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদবা মীখলসিগী অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা ৩৮গী হান্না পাঙথোকখিবনি। লেমহৌরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ২২গীনা থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা ফেজগী মীখলদা ভোট থাদনগদৌরিবনি। অদুগা অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজদা থাদনখিবা ভোটশিংগী অপূনবা মশীংনা থা অসিগী ১০দগী থিবা হৌগদৌরিবনি। ইলেক্সনগী প্রোসেসশিংসি হন্দক্কী মীখলসিগী ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লেপ্পগী মতুংইন্না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা পীবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না চত্থরকপনি। চত্থরকফম অমসুং পাঙথোরকফম থোকপা মীখলগী থবক-থৌরমশিং ঙাক্তনি। অদুবু মীখলসি স্মুঠলি পাঙথোকহন্দুনা ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন ওইহনগনি হায়রদুনা মসিমক থোকহন্নবা লৌখৎফম থোকপা থবক পূম্নমক লৌখৎপগী মনুং চন্না অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখিবদা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭২১গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ৭কী ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিং থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রিবা করিগীনো? পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগীদমক মতিক চাবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) শিং ফাওবা দিপ্লোই তৌখি হায়বা নৎত্রা? অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহল্লোই, থোরকহন্দনবা থবকশিং লৌখৎলে হায়রগা থোরকহল্লিবা করিগীনো? ৱাহং অনীসিগী পাউখুম মীখলসিগী থৌবু ওইবা য়াওরিবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা পীগদবনি। মরৈ-মরা তৌদুনা চেন্নবা হোৎনগনু, চেনবসু য়ারোই, চপ-চাবা পাউখুম পীগদবনি। সী ঈ ও, মণিপুরনা পীবা ঙমদ্রগনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীগদবনি। মরমদি মখোয় অনীনা মীখলসিগী মপূং ওইবা থৌবুনি। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমদা হান্না অমসুং মাঙজৌননা থোরক্কনি হায়দুনা খুন্নকপসু য়ারোই। মরমদি সী ঈ ও, মণিপুরনা অমসুং ঈ সী আইনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম মনুং থিৎনা খঙবগী মথক্তা মীখল অসিদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবগীদমক ওবজ র্ভরশিং মরোল নাইনা হাপখ্রিবনি। পুলিস ওবজার্ভরগী মথক্তা স্পেসল ওবজার্ভর অহুম হাপ্তুনা মথৌ পাঙথোকহনখ্রিবনি। মখোয়দা পীবা য়াবা পৱার পীখ্রিবনি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা মীখলসিগী ওইনা অকক্লবা অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজদা ভোট থাদনগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী 'সেন্সিটিভ' অমসুং 'ভলনরেবল' ওইবনি হায়বা পোল্লিং ষ্টেসনশিং ফাওবা মশক খঙদোকখ্রিবনি। লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখ্রিবনি। অদুবু অদুগুম্বা থবকশিং অদু লৌখৎ-লৌখৎনা কৈদৌবগী ঈ ভি এম মেছিনশিং থুগাই-য়ৈখাইবগী থৌদোকশিং থোকহনখ্রিবা করিগীনো? থোরকহনফম থোকপ্রা? অসুম্মাইনা থোরক্কনি হায়বা হান্না খঙহৌদে হায়রকপসু য়ারোই। মরমদি মীখল পাঙথোকখ্রিবা অহানবা ফেজগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮দা করম-করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী কনা-কনানা মীরেপ ওইরিবনো, ক্রিমিনেল ইন্টিসিদেন্ট লৈবা কেন্দিদেটশিংনা কয়ানো, পোলিটিকেল পার্টি অমগা অমগগী নৎত্রগা কেন্দিদেট অমগা অমগগী মরক্তা লৈনবা ফীভমনা করিনো, পোল্লিং ষ্টেসন অমদা লৈবা ভোটরশিংনা কয়া কয়ানো হায়বা য়াওনা মীখলসিগা মরী লৈনবা খঙবা য়াবা পূম্নমক ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরনা অমত্তা চিত্থদনা শিৎ নান্না খঙলিবনি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী মীখলসি হন্দক্না অহানবা পাঙথোকপসু নত্তে। সিক্যুরিটি দিপ্লোইমেন্টকী মতাংদা হায়রগসু এদভান্স এরিয়া দোমিনেসনগী থবক ফাওবা লৌখৎখ্রিবনি। অদুগা পীকখ্রবা মণিপুরসিগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমশিংসু মাঙজৌননা খঙলিবনি। মরম পূম্নমকশিং অসিনা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা মীখল পাঙথোকখ্রিবা অহানবা ফেজগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী ৭তা ঈ ভি এমশিং থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগী তেকচাক ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ওদা নমশিনফম থোকই, মখোয়নসু থৌদাং পুগদবনি। অদুবু মসিনা থৌদোকশিংদু থোকখ্রবা মতুংদা হায়নবা ঙাঙনবগী ৱানি। থোকখ্রবা মতুংদা থোকহন্নীংদে হায়বনি। হুরানবা মতুং মৈরিংবগী ৱানি। অদুবু থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা ফেজগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ২২গী মীখলদদি অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোরকহনগনু, থোরক্তনবা হোৎনৌ। অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলসিদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বা য়াওরিবনি। অদুগা হন্দক্কী মীখলসিগী ইহান-হান্না মীশি-মীনা য়াওখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিসু য়াওরিবনি। পূম্নমক মাঙজৌননা খঙলবা ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ওনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলু। হোৎনবা য়াবা হোৎনরগা থৱায় য়াওনা ওপরেসন মায় পাক্না পাঙথোক্লে অদুগা অনাবদি হিংদ্রে হায়বগী থৌদৌদু ইলেক্সনদা থোকহন্নীংদে। পাঙথোক্লিবা ইলেক্সনসি মণিপুরগী মীয়ামগী চহী ৫গী লাইবক লেপকদবা লুখ্রবা মীখলনি। লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকনি হায়রগা লৈথোকপনা য়ারোই। য়ারিবমখৈ থোক্তনবা হোৎনবনি, থোকখ্রদি থোকখ্রে হায়রক্কনু। থোকহনবা শুকয়া য়ারোই হায়দুনা ইচং থৌনা হায়রকউ। মসিগী মতুংইন্না থবকসু তৌরকউ। মদুদতা হন্দক্কী মীখলসি অহানবা ফেজ লোইশিনখ্রবসু লেমহৌরিবা অনীশুবা ফেজসিদদি ওইহন্নীংলিবা ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***"অমাইবা"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***"ৱারী শীংবূল্লক্তগী"*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"লৈকংলা"*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঐনা শুমাং লীলা য়াওরকপসি ঈশৈ লীলাদগীনি। ঐখোয়গী ঈশৈ লীলা হায়বা অসি থোরকপদগীদি লীলাসি ময়াম্না মখল অনী থোক্না খাইদোকপী, অমনা - দাইলোগ লীলা অমনা ঈশৈ লীলা। অহানবদা ঐখোয়গীসি অঙাংগী লীলানি হায়না খন্নরম্মী। কোন্নথংদতা ঐখোয়না মীয়ামগী পুক্নিংবু খুদুম চল্লকখিবগী ৱানি। মতমদুদা দাইলোগ লীলাগী শাফু অসি য়াম্না কল্লি। ঐখোয় থোরকপদা মতমদুগী অহল লমন খরনদি ঐখোয়সি য়াম্না য়াখিদে। চৈবু চৈবীরিবনি। মসিগী মরমদি ঐখোয় অসি মীনা অসুম অসুম পাম্বা হেনগৎলকপা, দাইলোগ লীলানা চৎকদবদু ঐখোয়না চৎপসিনা মখোয়গী খোঙচৎ তেনশিল্লকপা অসিনসু ঐখোয়সি য়েক্লবা অমদৌনা খল্লকপনি। অদুনা চৈরিবনি। ঐ ইশামক্না অহল লমনশিং অদুগা মরৈ তুরৈসু য়াম্না তৌনরকখি। হৌজিক্তদা খল্লুরগা নুংঙাইরক্তে, ঐনসু অহলশিং অদুবু ময়াম্না পাম্নরক্তবনি হায়না হায়খিবসু য়াওখি। মতমগী লাইরেম্বীনা শিল্লকপা খূৎশিলনি, ঐখোয়না থিংবা ঙল্লুবা নত্তে হায়না হায়রুবসু ময়াওই। অমা ওইরবসু অমা ওইরবসু মখোয়না কয়াদি নুংশিখিদবনি। কোন্নথংদতা য়ারক্ত্রবা মতমদা ঐখোয় পুনশিন্নদুনা করি তৌসিগে খন্নবা হৌরকপগী ৱানি। অহানবা ঐখোয়না থোরকপদা য়াম্না নুংঙাইতবা কয়া অমা থোকখিবনি। শুমাং লীলাদা এদভান্স লৌবা হায়বসি ঐখোয়না হৌদোকপনি। লীলা শান্নবা চৎলগা শান্নফম লৈরমদদুনা ফ্রীদা হল্লকপা য়াওই। য়াম্না ৱানা হোবে হোবে চৎলগা লীলা শান্নফম লৈরমদবা হায়বসি ঐখোয় গাড়ী মিনি বস ৱাইদুনা পুরিবদুগী অৱাইমলদি পীদবা য়াদবনিনা খাইনরগা পীবা তাই। অদুনা য়ামদ্রবদা গাড়ীগী অৱাইমলগী চাং ফাওবদি এদভান্স ওইনা লৌরসি হায়না লৌবনি। লৌরিবা চাংদু ময়াম তারগদি নোক্নিংবা ফাওগনি। মতমদুদা লম খরা থাপ্পা মফম অমদা চৎপদা মিনি বসকী অৱাইমলসি লুপা ১৫০দগীনা ১৬০ ফাওবা ওইখি। খরা নক্লগনা লুপা ১০০ শুমাইনা লৌই। মদুগী শেনফম অদু এদভান্স ওইনা লৌবগী ৱানি। লীলা কৌবা হায়সিমক্তবু ইচম চম্মী। ক্না তাঙ্গ অমদা লুপা ১দগীনা ৫ ফাওবগী চাংদা হাপ্পগা লোইরে। শেল য়াওদনা ক্নাদুতনা লোইবসু য়াওরিবনি। অদুদা লীলা শান্নবগী মতম, নুমিৎ, তারিখ, লম মমিং, লীলা শান্নফমনচিংবা অদু ঐখোয়গী প্রোগ্রাম বুক্তা ইশিলহৌরগা লোইরে। অদুদা চৎলুরগা শ্বাইদা লীলা তৌনি তাদে হায়না হায়রকপদা অদুম লোইরে, ফ্রী কাউরে, অদুদৈদি ঐখোয় অয়াওবা খাইনরগা মিনি বস অৱাইমল পীনবা হোৎনরে। থৱায় নুংঙাইখিদ্রজাৎনি, অদুনা এদভান্স লৌবগী মথৌ তারকপনি। খরা লৈরগদি লীলা অমগী মমলগী তঙ্খাই অমা এদভান্স ওইনা লৌবা হৌরে। অদুগা লীলা হৌদ্রিঙৈদা লীলাগী দখিনা লৌশিনবা হায়বা অমসু হৌদোক্লে। মসিগীসু মরম য়াম্না লৈ। লীলা শান্নবা লোইরগা দখিনা পীবিনবা মী লৈতদুনা য়াম্না অৱাবা তানখ্রজাৎনি।

ঈশৈ লীলা অসি অঙকপা মখল অমনি, হৌজিক্তদা খল্লু-খল্লুরগা ইশাসি অঙকপা অমা ফাওরকখি। মফম অমদা লীলা অমা শান্নরম্বদগী লমদুগী অকোয়বা অদুদা লীলাদুগী মরমদা শন্দোকখিদুনা মথং মথং কৌনরক্তুনা হেক্তা শিনবা থুংনা শান্নরকপনি। শ্বাষ্টি পুজা, য়ূম শঙ্গাবা, নাহুৎ নারেংবা, চাকচা হৈজানবা, কাঙ পালিগী লীলা, নিংঙোল মচা পালিগী লীলা, বিশ্বকর্ম, সরস্বাতি পুজানচিংবা মতম মতমগী ওইবা থৌদোক কয়াশিংদা হান্না যত্রাৱালি/শুমাং লীলা কৌনরম্বদু তোক্তুনা ঈশৈ লীলাসি ওইনা কৌনরকখি। মসিগী মনুংদা ঐ ইশানা য়াওজরকখিবা চাকথেকপী পার্টি হায়না মীয়াম্না খঙনরিবা নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন হায়বা অসি ময়াম্নসু খরা পাম্নবা ওইনা তৌরদনা লীলা য়াম্না শান্নরকখি। কন্না ফাওগৎলকপা হৌরকপা মতমদুদদি নকখ্রবা য়ূমসি হন্নবগী তাঞ্জা ফাওবা ফংদে। মতমদু সাইকল ঙাক্তনি চৎনরম্মীবা। অদুনা লীলা থেংনা হল্লক্লগা, মতমগা ফত্তবনিনা য়ূমদা হনদ্রে, লীলাগী ওফিসতা অহিং লৈরে। লাপ্না লীলা শান্নবা চৎলগনা, লীলা শান্নফমদা অফংবা মফম অমদা হেক্তা অহিং য়ারেক্লে। অদুগা অয়ূক্তা ওইনা হল্লকপনি। অদুদগী ওফিস কাবা চৎলে, হল্লক্লে, য়ূমদা চৎনবা মতম ফাওবা ফংদ্রে, লীলা অদুম চৎলে। অদুনা য়ূমদা হন্নীংলবসু হন্নবা মতম ফংদে। মদু নোংমা নীনিগী ৱা নত্তে। থা অমা-অনী-অহুম-মরিগী ৱানি। য়ূমদা শেল পীনীংলবসু বজারদা খঙন-চান্নবা থেংনবদা ঐখোয় ইমাদা খরা পীবিয়ু হায়না শিন্নখি। তাঞ্জা চাবদা য়ূমলোমদা লীলা শান্নবা থোক্লগনা য়ূমদা ফৎ চঙশিল্লগা শেল শিন্নবা অসিনি। তৌবগীবুদি ঐনা য়ূমদা হনখিদবসি অহানবদা লীলা য়াওই হায়দুনা পাবনা য়াম্না চৈখি। ঐনা লীলা য়াওবসি মখোয় খঙহন্দনা য়াওখিবনি। কোন্নথংদা নচানুপাদু লীলা য়াওইনে হায়না হায়নরকান্দা খঙনরকপনি। মদৈদি থিংবুদি থিংদে হায়বু, ঐসু তন্দনা য়ূমদা কয়া হন্দবনি।

অয়ূক্কী মতমদদি চাকসি হোটেলদা ওইনা চাই। নুমিৎ খুদিংগীনি। হোটেল হোং হোংদুনা চাদৌরিনি। নুমিদাংসিমদি লীলা মফমদা অয়াম্বা চারে। শ্বাই অনকপদা শান্নবা ওইরগনা লীলাগী ওফিসতা ষ্টোভ থম্মী। কোল লিক শুনবা লৈ। অদুনা চেঙ ৱানশিল্লগা নুমিদাং হল্লক্লগা থোংলগা চাই। অমরোমদা নুংঙাইখ্রবা পুন্সি মহিং অমনি। নহা ওইনা ওইনা মতম মতমগী থোকপা হরাও কুম্মৈ হায়বসি অদুম য়াওবা ফংলক্লে। ঐনা হরাও কুম্মৈ য়াওববুদি, ঐসি মীনা হরাও কুম্মৈ ওইনা উরকপা অদুদা ঐনা অদুম পেঙ্খ্রে। য়াওশঙ থাবল চোংবা ঐখোয়দি য়াওবা ফংলক্তে, লৌশিং ৱাৎলিঙৈ ইনখৎলকপা মতম হাল্ফপেন্টগা শেৎলিঙৈদা ঐখোয়না চাওখৎলগা লোংপেন্ট শেৎলকপা অসিনসু হায়দু য়াওবা কয়া ফংলক্লে। মরমদি য়াওশঙ মনুংদগী হৌরে লীলা শান্নবসি। নোংমদা লীলা মরিদগী তাদনা শান্নে, অদুদবু কাইদগী থাবল চোংবনো? থাবল য়াম্না চোংনীং চোঙনীং চোঙবা ফংখিদে। থাবল চোঙবগী নুংঙাইবা করিনো হায়বা ঐ খঙবা ঙমদে। নহা ওইবগী কোয়বা চৎপা লাংবা অমত্তা ফংলক্তে। কন্না লাংনীংলকপা মতমদদি মীনা ইশক মুন্না খঙলবনিনা, অদুম ইশাদা তন্থবা অমসু ফাওরে। অদুগা লৈকায় অমদগা চত্তনগা কোয়বা লাংবা হায়বদু অদুম তৌরকখিদ্রে। লৈকায় অমদা চুম্নগী থবক অমগী সুম চৎলুবদা ময়াম ওমশিনবগী থাক্তা লৈখ্রে। অদুনা কাইদগী কোয়বা লাংবনো? অমত্তা ফংলকখিদ্রে হায়বা তাই। অদুনা ঐখোয়গী মীৎয়েং ৱাখল পোত্থা, ঙাইহাক লেন তৌবসিদি ঐখোয়গী লীলা কৌবিরিবা লৈশাবীশিংদা ইফোং ফোংনা ফাগি জুগাই তৌনদুনা দখিনা পীরমদাইদা অমদি লীলাগী ৱারী শাবদা ঙাইহাক লেনবদু নত্তনা থোইনা ফংলকখিদ্রবনি। মসিসু অরুবা নহা ওইবগী তাঙ্কক অমনি। মসিদি খল্লু খল্লুরগা য়াম নোক্লিংবা জাৎনি। পাখং কৌবনিনা, খরসু লাংনীংগুম তৌ, থম্মোয় পানবা কৌবনিনা মরোল অমা অনীদা ওইরসু লোন্নীংগুম তৌ, তাঞ্জা মেঞ্জাদি ইচা হেক চাদ, ওম্থোক্না ফরক তাখ্রপোৎনি। নোং ফাদোক্না ফাগিওই, করিওই লৈশাবীশিংনা নোকফেৎকা তৌশিল্লম্বসিদি হায়বা কো, মোন্দ্রং চুদুনা ফনা কুইনা লৈবা জাৎনি। কৈসু নত্তবদুদা মঙলানগসিনা কুফেৎ কাফেৎ মতা অমনি। ওইবদি য়াপোত্তে হায়বসু খঙলিবনি, অদুবু নহা কৌবনিনা মঙদুদা ঙাইহাকসু তাওরুরিবনিদনা। অদুনা মদুগী ফাওরকপা ঈথিল কয়াশিং অদু থেমজিন্নবা হোৎনবসি ঐনা তৌরিবা থবক্তুদা মায় পুল্লপ ওনশিন্দুনা পূক্নিং চোইথোক্তবা অসিনি। অদুনসু ওইবা তাই, চাবা-তূম্বা, চৎপা লোইনমক্তা লীলাগীদা সুম খন্দুনা লৈখ্রিবদু। নোংমদি শাথীনা চোপ্পা অমা থেংনখ্রে। লম মমিং পঞ্জররোই। লীলা শান্নবা চৎপদা ঐখোয়সি চাক চানবা য়ূম অমদা শিন্দুনা চঙমিন্নে। য়ূমদুগী মাঙ্গোলদু ফোটো ময়াম অমা থেৎলম্মী। ফোটো থেৎপসি য়াম্না চৎনরম্মী, মদুদা চুম্না সুম য়েংলুবনি, ঐখোয় অনী অহুম শুই। লৈশাবী নুপী মশক ফজবা অনী অহুম য়াওরম্মী ফোটো মরক্তুদা, অদুদা ঐখোয় ঙাঙনবনি, মসিগীসি ফজৈ, মসিনা হেল্লি, ঐদি মসি পাম্মী, অদু তৌই, অদা তৌই হায়বনচিংবা ময়াম অমা। মদুদা খরা ফজৈ হায়না ঙাঙনরিদুদি মৌ ওই লৈরম্মে। ঐখোয় মরক্তগী অমনা, মসিগী খরা ফজবসিদি ঐগীনি, নোই কনামত্তনা য়েংশিল্লকপা য়াররোই, অমনা অমুক নঙগী অউ খুদিং কনশিনবীদু তৌরনু সিদি ঐগা হান্না য়ান্না লৈরবনি, ঐনা কোয়রিবনি থোক হেক ফাগি শানদুনা হায়রে। ৱা ৱা নোক্তুনা ঙাঙনরিবদু ইমুংদা লৈবা মাগী নুপাদুনা তারবজাৎনি, মানা পরপ পরপ থোরক্লগা, "করি হায়বা হৌজিক্কীদো" হায়না অমুক্তং ধপ তৌরকপদু, ঐখোয় মায় ঙাংশঙ ঙাংই, ফাগি তৌদুনা সুম হায়বনি হায়রবসু নুপাদুদি মপু কৌবনিনা শাওবা হল্লু য়াদ্রে। ইমাইপেম্মা, ইমুংগী অতৈ মী থোরক্তুনা "কৈনো কৈনো, কৈদৌনরে" হায়না য়া য়া লাওনরকপদা ঐখোয় চাক কায়য়ে, অদুম থোরক্লে। তৌবুদি ইমুংগী মীশিংদুনা "ইমাইপেমা অদুবু ৱা ওইনা হেক ঙাঙলদনা" হায়না থেমজিলহৌই। অদুবু ঐসু য়াওনা নুমিৎতুমদি ঐখোয় অনী অহুমদু চাক অদুম চাদ্রে। নুংঙাইরবা থৌদোক ৱাথোক্না য়াম থোকখ্রজাৎনি। মসিবু ঐনা করম্না কাউগনি। ●

# হিংসি, হিংমিন্নসি - ১

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিসি নাইতোম হিংবা ঙমদেকো। নাইতোম হিংবা য়াদবা পুন্সিসিদা অমনা অমগা মতেং পাংনবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মথৌ তাই। অদুম ওইনমক ইশা ইশাগীতা খনবা, মীহৌবা অমদি পেনবা নাইদবা ৱাখল্লোন্না লমজিং ওইদুনা অতোপ্পগী অৱাববু উশিন্নদবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী হৌনশা অমসু ওইরি। মরু ওইনা চহী অনীমুক ফারক্লবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা লৈরিবা নোংমগী শুজ-নোমজদুনা হিংজরিবা ইমুং কয়া অমদি ওল্ড এজ হোম, ওর্ফান হোম, চিলদ্রেন হোম অমদি অতৈ য়াম্না লায়রজবা ইমুং কয়াদি অসুক্কী মতিক অৱাবা থেংনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা।

নোংমা নোংমগী শুজ-নোমজদুনা হিংনবা হোৎনরিবা ইমুং কয়াদি থবক শুজদুনা শেল তানবা য়াদবনা চরা হেন-হেন্দুনা লাকপা ইমুং কয়ানি। অসিগুম্বা ইমুং কয়া অসিবু মতেং পাংনবনি হায়দুনা সেন্টর লৈঙাক্তগী থাদরকপা চেঙ, হৱাই অমদি শেল-থুমসু অৱাবা তারবা ইমুংশিং অসিদা য়ৌহনবীদে মতম চানা অমদি মপূং ফানা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা য়াওবিরিবা লুচিংবা কয়ানা। লেমহৌরিবা খরা য়েম্থোকপা অদুসু লমদম অসিগীনি হায়দুনা লৈবিরিবা লুচিংবনি হায়রিবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাও থন্নবা অমদি লাক্লিবা ইলেক্সন অসিগীখক খন্দুনা মীচং মীখাই নাইনা য়েল্লি চেঙ চাকশিং অসি। সেন্টরনা মীওই অমদা চেঙ কিলোগ্রাম মঙা/মঙা থা অমগী পীবিনবা থারকপা অদুবু কিলোগ্রাম অহুম/অহুমখক পীবি হায় তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুএন্সি কয়াগী এম এল এশিংনা। শুবা নোম্বা য়াদবনা, ফংদবনা অসুক্কী মতিক অৱাবা তারবা ইমুং কয়া অসিগী খন্থবীবা তৌদনা মশাতগী খনবা লুচিংবা কয়া অমনা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা অসুক য়াম্বা মরল মথুম খোমজিন্দুনা লৈরিবা অদুদা পেন্দদুনা লায়রবশিংগীদমক থাদরকপা চেঙ, হৱাই অমদি শেল-থুম মৎপীবা অসিবু করম্বা থম্মোয় পানবজাৎনো মখোয়সিবু।

অসিগুম্বা য়াম্না তৌহৈদবা থৌওং কয়া অমদি লৈত-লায়র মীচম কয়ানা ৱাজরিবা ফীভম অসি উরুবদা থম্মোয়সে পুবা ঙল্লক্তবদগী নোংমা ইরমদম কংলৈপাক্তা চহী তরা হেন্না মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাক্লিবা, মরু ওইনা নহারোলশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী নোলেজ, ইনফোর্মেসন অমদি ট্রেনিংনচিংবা কয়া পীদুনা লাক্লিবা নন-প্রোফিট ওইনা লৈজ রিবা লূপ - দাইনামিক মণিপুরগী হৌজিক হৌজিক এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা থৌ পুবিরিবা ইচিন ইনাও অমদি ইচে ইচলশিংগা ফোন্দা অমদি ভর্চ্যুএল মীটিংদা পুন্দুনা, শক্না শক্না উনদুনা ৱারী শাদুনা, তান্নদুনা ইরমদমগী ফীভমসিদা করি মতেং পাংসিগে হায়দুনা তান্নখিবনি। ইশামকসু দাইনামিক মণিপুরগী এদভাইজর অমা ওইনা লৈরক্লি হেক হৌদোরকপদগী ঙসি ফাওবা। কোভিদ-১৯গী মতেং পাংবগী খন্ন-নৈনবগী ভর্চ্যুএল মীটিং অদুদা মীয়াম্নসু খঙবী উবিদ্রবা অদুগা পাল্লিবা লৈঙাক্লসু মীশীং ইয়াম য়ামজদবা অদুদা ইলেক্সনদা অদুক য়াম্না কান্নবা ফংলোইদবনা থৌশাবীদ্রবা মীয়ামগী মতেং হিংনবা হোৎনজরিবা লূপ মচা মচা কয়া লৈরিবসি ওইনা মতেং পাংলসি হায়না লেপখিবনি হৌখিবা চহী ২০২১গী অঙনবা মতমদা।

ইরমদমগী কনা লৈজদ্রবা ওল্ড এজ হোম, ওর্ফান হোম, চিলদ্রেন হোম অমদি অতৈ য়াম্না লায়রজবা ইমুং কয়া অসিদা ঐখোয়না ঙমজবা হৱাই-চেঙৱাই, থাও-থুম, ঙারিনচিংবা অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি ওইনা মতেং পীরসি হায়না লেপ্পখি। মতেং পাংবা হায়বসিমক্তবু শেলগী মথৌ য়াম্না তাই অদুনা দাইনামিক মণিপুরগী এদভাইজর ওইবীরিবা অমদি ওইবিরম্বা মীওইশিং, দাইনামিক মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং লোয়ননা দাইনামিক মণিপুরবু নুংশিবীবা, থাজজবা অমদি শৌগৎপীবা মীওই কয়ানা শেলগী মতেং পাংবীরক্লবা হায়জৈ। মদুদা পুকচেল চাওবা ইচিন ইনাও, ইচে ইচল কয়ানা মখোয় মখোয়না ঙমজবা শেলগী মতেং পীবিরকই, পীবিরক্লি।

তশেংবদি, দাইনামিক মণিপুরগী খোঙথাংসি লৌখৎত্রিঙৈদা ঐহাক ইশামক্কী ওইনদি ইরমদমগী অনীশুবা কোভিদ লাইচৎকী ফীভমদু উবদা পাখৎচদুনা টাইৱান্দা লৈরিবা ইনাও চোংথাম জয়েন্ত ঐখোয় অনীনা লুচিংদুনা টাইৱান্দা মহৈ মশীন তন্লিবা ইরমদমগী ইরৈচা মহৈরোয়শিংগা অঙম অঙম্বা শেল খায়গৎনদুনা অমদি অতোপ্পা মাস্ক কম্পেনি অমনা মশীং য়াম্লবা সর্জিকেল মাস্ক কয়া মতেং পাংবীরক্তুনা লুপা লাখ ১৫/২০গী ভেল্যুদা লৈবা সজি'কেল মাস্ক লাখ অমগা লিশীং য়াঙ্খ্রে হেন্না থাখিবনি। মাস্কশিং অদু ইরমদমগী ইন্টরনেসনল রেদ ক্রোস মণিপুর ব্রাঞ্চনা ইরমদমগী চীং-তম, কাচিন কোয়া থুংনা য়েম্থোকপীখি। মসিনা কোভিদ লাইচৎতগী খরতা ওইরবসু ঙাকথোকচনবা হায়দুনা মতেং পাংজখিবনি। য়াম্না পেনখিদবা অমনা মাস্কশিং অসি থাবদসু পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা লাখ অনী খরা হেন্না চঙদুনা লৌথোক্কদবা অদুদা মখোয়দা করিমত্তা কান্নবা ফংলরোই হায়দুনা মাস্কশিং অদু রিসিভ তৌবীয়ু হায়বা য়াখিদে। অদুবু কন্না হোৎনদুনা শেল ইচঙ চঙদনা থাবা য়াবগী পান্থে ফংদুনা মমৈথংদা থাবা ঙমজখি টাইৱান্দগী। মাস্ক থাদুনা মতেং পাংবসিনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা, মরু ওইনা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌবিখিবা মীওইশিং অদুগী মতেং ওইখ্রে অদুবু চাকখাও হাঙলবা মীওই কয়া অমা অদুগী অমুক খল্লুদবা ঙমখিদে।

ইশামক য়াম্না লায়রনা, তাঙ্কক কয়া চরা অনী পুক থন্না চাবা ফংলক্তবা পুন্সি মরেল থেংনরকপনা চাকখাও হাঙলবা ইরৈচা কয়াগী ফীভমদো খল্লুদবা ঙমখিদে। মরম অসিননি ঐহাক্না মাস্ক থাখিবা হেক মতুংদা দাইনামিক মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা ফোন্দা ৱারী শানদুনা অমদি ভর্চ্যুএল মীটিং তৌদুনা করি করম্বা মতেং পাংসিগে হায়না খন্নখিবা, তান্নখিবা। খনবু খল্লবদি লম্বীদি অদুম থোরকই হায়বদুনি। মীয়াম্না কয়া খনবী উবিদ্রবা অমদি লৈঙাক্লসু থৌশাবীদ্রবা কাঙলূপশিং অসি মতেং পাংলসি হায়না হেক লেপখিবগা শেল খাইনদুনা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা দাইনামিক মণিপুরবু থাজবীবা অমদি ইরমদমগী ইরৈচাশিংবু মতেং পাংবীনীংবা কয়ানা শেলগী মতেং পাংবীরক্তুনা ঙসিদি লূপ কয়া মতেং পাংবা ঙমজরে। ঙসি ফাওবদা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদগী হৌদুনা মণিপুরগী চীংয়া তময়া, কাচিন কোয়াদা লৈবা মীওই ১০দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওর্ফান হোমশিং, চিলদ্রেন হোমশিং, ওল্ড এজ হোমশিং অমদি ইমুং মনুং পূন্না মফম ১৩দি শুরে মতেং পাংজখিবা। হায়বদি ইরায় লায়না উবা অদুবু থবক ওইনা তৌথোরকপদদি অসুক্কী মতিক মতম চঙই, মী চঙই অমদি শেল চঙইদো। মসিগী মথক্তা চৎপা য়াই য়াদে হায়বগী ৱাথোকসু লৈরিবনি কোভিদ লাইচৎ লৈবনা। খুদম অমা ওইনা হায়রবদা, তমেংলোংদা লৈবা য়াম্না ৱানা লৈজবা পূন্না মীওই ৫০ মুক্কী ইমুং খরগী চেঙ, হৱাই, ঙারি, থাও-থুম, আলু, তিলহৌনচিংবা লৈদুনা থাবা হায়বসি অরাইবা ওইদে। পোৎচৈ লৈবখক্তনা লোইবা নত্তে। তমেংলোং য়ৌনবা থাখিবা তাবনি। তমেংলোং য়ৌরগা অমুক লোইদ্রি। তমেংলোং ময়ায় লৈকায়দগী অমুক চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিং অদুদা অমুক য়ৌনবা য়েংগদৌরিবনি। তমদদি খরা লায়রি, গাড়ী চৎথোক চৎশিনগী লম্বী খরা ফবনা। অদুবু চীংগী মফমশিং অদু য়ৌনবা হোৎনবসিদি খোঙনা চৎতুনা য়েনগদৌরিবনি।

ময়াম্না হেন্না খঙবী উবিরম্লগনি হায়দ্রসু। মখা কদাই কদাইদা, করম করম্বা মফমশিংদা মতেং য়ৌখ্রবগে হায়বগী মরীক চুম্বা ৱাফম মথং চয়োলদা হাপচরক্লগে - হিংসি, হিংমিন্নসি। য়াইফমিন্নরসে।? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।